# অফঘানিষ্টানগী বোম অচৌবা থাদখিবা মফমগী মনাক্তা য়ু এস ক্রুপশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকা লান্থেংনরি

কাবুল, এপ্রিল ২০ :

হৌখিবা চয়োলদা অচৌবা বোম অমা থাদখিবা অফঘানিষ্টানগী নোংপোকথংবা মফম অদুগী মনাক্তা হৌজিকসু য়ু এসকী ক্রুপশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংনি চিংনবশিংগা লাল শোক্নরি হায়না য়ু এস মিলিটরিগী ওফিসল অমনা য়ুমশকৈশো নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

‘মাদর ওফ ওল বোমস’ হায়না নিকনেম পীবা জি বি য়ু-৪৩ মাসিভ ওর্দনান্স এয়র ব্লাষ্ট বোম অদু হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা পাকিস্তানগা লোন্নবা নঙ্গারহর প্রোভিন্সকী অচিন দিষ্ট্রিক্টতা অমেরিকান এম সি-১৩০ এয়রক্রাফট অমদগী থাদখিবনি। মদুদগী য়ু এস মিলিটরিনা হৌজিক ফাওবদা লানদা শিজিন্নবা খ্বাইদগী চাউবা কনভেনস্নেল বোমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা খুৎলায় অদু শিজিন্নবগী মতাংদা ৱাহং কয়া লাকহনখি।

বোম তাখিবা মফম অদু হৌজিকসু চঙবা য়াদনা লৈবা মনুং হঞ্জিনবা লমদমগী মফম ওইবনা অফঘান ওফিসলশিংগী এষ্টিমেটশিংদা মিলিটেন্ট কয়া শিখ্রে অমসুং মীচমদি অমত্তা শিখিদে হায়রিবদু ভেরিফাই তৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈতে হায়রি। ষ্ট্রাইক অদু হান্নগী অফঘান প্রসিদেন্ট হমিদ করজাই অমসুং পাকিস্তানদা লৈবা অফঘানিষ্টানগী অম্বেসেদর য়াওনা মশক নাইরবা মীওই কয়ানা কন্দেম তৌনখি।

ষ্ট্রাইক অদুগী মতুং মথংগী নুমিৎতা থুংলখিবা অফঘান ফোর্সশিংগা লোয়ননা লাল শোক্লখিবা য়ু এস ক্রুপশিং মফমদু থাদোক্লবা মতুংদা অতৈ হেন্না চাউবা এরিয়াদা ওপরেসন কয়া চথুরি হায়না য়ু এস মিলিটরিগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন ৱিলিয়ম সালভিননা ফোঙদোকখি।

মমাঙগী এষ্টিমেটশিংগা মান্নবা মওংদা সিভিল্যান অমত্তা শোকখিদে হায়না য়ু এস মিলিটরিনা চেৎনা থাজে হায়না সালভিননা ফোঙদোকখি।

অফঘান ওফিসল খরনা বোমদুগী ইফেক্টশিংগী মরমদা ইনফোর্মেসন ৱাৎলি হায়না কমপ্লেন তৌনবা লৈখি। ‘হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়বু করিমত্তা খঙহন্দনা থল্লি অমসুং ঐখোয়না হৌজিক ফাওবা সাইট অদুদা চৎপা ঙমদ্রি হায়না অফঘান সিক্যুরিটিগী মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। ‘ঐখোয় চমম্নরগা লৈরি, এম ও এ বিনা করি থোকহল্লম্বা য়াই হায়বগী মতাংদা ঐখোয়দা অঙকপা পোল্লি।’

অমরোমদা হন্দক্তা ইস্লামিক ষ্টেটকী ব্রোদকাষ্ট অমদা ‘বোম অসিনা ঐখোয়দা মীশি-মীনা অমত্তা থোকহনখিবা লৈতে’ হায়না ফোঙদোকখি। ‘ঐখোয়না বোম অসিদগী য়াম্না হেন্না কনবা শেন্বীবা মপুগীদমক্তা লান্থেংনরিবনি।’



# ইটালিয়ন মেয়রনা য়ুনেস্কো পিছ প্রাইজ ফংখ্রে



রোম, এপ্রিল ২০ :

মাইগ্রেন্টশিং অমসুং রিফ্যুজিশিংগী পুন্সিশিং কনবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগীদমক্তা ইটালিগী ঈথৎ লমপেদুসাগী মেয়র গিসেপিনা (গিসি) নিকোলিনিদা য়ুনেস্কোনা মসিগী পিছ প্রাইজ পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

হেন্না ফবা অমসুং পিছফুল ওইবা পুন্সি মহিং অমা থিবদা ঈশিং ঈপাক্নীদমক্তদি মতিক চাদ্রবা হিশিং তোংদুনা মেদিটরিনিয়ন লান্না চেন্নখিবা মীওই লিশিং কয়াবু কন্নবা মহাক্না হোৎনখিবশিং অদুগীদমক্তা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নিকোলিনিদা প্রাইজ অদু পীখি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

সিসিলিদগী টুনিজিয়াগা হেন্না নক্লবা লমপেদুসা অসি অফ্রিকা অমসুং মিদ্দল ইষ্টকী লাল অমসুং শেল-থুমগী অৱাবা ফীভমদগী চেন্থোক্ন রকপা মীওইশিংগী অহানবা য়ুরোপিয়ন লমথুংফমনি।

কুমজা ২০১২ দা মেয়র ওইরকখিবদগী নিকোলিনিনা রিফ্যুজি অমসুং মাইগ্রেন্ট রাইটশিং কন্ননবা ইফোং ফোংনা ঙাঙদুনা লাকখি।

লমপেদুসা অমসুং ইটালিগী অতৈ ঈশিং খোঙবানশিংদা রিফ্যুজি লিশিং কয়া থুংলখিবগী রেস্পোন্স ওইনা মহাক্না মপান নাইদবা মীওইবগী মীনুংশি উৎখিবা অমসুং রিফ্যুজি ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট অমসুং ইন্টগ্রেসনদা চোকথবা লৈতনা থৌদাং লৌখিবা নিকোলিনিবু য়ুনেস্কো পিছ প্রাইজনা শকখঙখিবনি হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দগী সিপশিং ঈশিংদা লাকখিবদগী নুপা, নুপী অমসুং অঙাং ১৩,০০০ রোম শিখ্রবা মিদিটরিনিয়নদা রিফ্যুজিশিং অমসুং মাইগ্রেন্টশিংনা ঐখোয়গী হৌজিক মতমসিগী মরু ওইবা ইস্যুশিংগী মনুংদা অমা ওইরি হায়না জুরিগী এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা মোজামবিককী হান্নগী প্রসিদেন্ট জেকিম চিসানোনা লাউথোকখি।

# ‘লাকশিনহৌদবা’ ইরান অতোপ্পা নোর্থ কোরিয়া ওইরকপা য়াই : য়ু এস



ৱাশিংটন, এপ্রিল ২০ :

ইরান ন্যুক্লিয়র দিল অসি ফেল ওইরে হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না ফোঙদোকখ্রে অমসুং লাকশিনহৌদবা টেহরান হায়বসি অতোপ্পা নোর্থ কোরিয়া ওইরকপা য়াই হায়খ্রে, তৌইগুম্বসুং মহাক্না মরু ওইবা এগ্রীমেন্ট অদু ফেল ওইহল্লগনি হায়নদি কিহনখিদে।

টিলরসন্না হায়খি, য়ু এসনা লৈবাক অসিগী ইরান পোলিসী মপুং ফানা রিভ্যু তৌরগনি। ওবামাগী মতমগী ন্যুক্লিয়র দিল অদুনা টেহরানগী ন্যুক্লিয়র ষ্টেট অমা ওইরক্নবগী পান্দম অদু খরা থিন্থহনবা নত্তনা অতৈ অহেনবা পুরক্লোই। ‘মসিগী দিল অসি মমাঙগী মায় পাকখিদ্রবা অপ্রোচকা চপ মান্নে। হৌজিক ঐখোয়না মায়োক্নরিবা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র থ্রেট অসি মমাঙগী অশোয়বা থৌরাং অদুনা পুরকখিবনি।

ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইরানগী মতাংদা তুংদা লাক্কদবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমদা পোৎলুম অমা থোঙ্গৎকে খনবা লৈতে হায়না অথুবা প্রেস ব্রীফিং অমদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

‘ইরানগী ন্যুক্লিয়র এমবিসনশিং অসি মালেমগী পিছ অমসুং সিক্যুরিটিদা অরুবা রিস্ক অমনি’ হায়না টিলরসন্না ফোঙদোকখি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী ন্যুক্লিয়র এবিলিটিদা পনখৈ অমা লৈহন্নবগীদমক্তা নিগোসিয়েট তৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল অদু টেহরান্না ইল্লি হায়না ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না কোংগ্রেসতা খঙহনখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ঙরাং টিলরসন্না ইরানগী মতাংদা মহাক্কী ফীরেপ কন্নশিনখিবনি।

ইরান্না লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম দিফেন্দ তৌরদুনা মদু অশেংবা সিভিল্যন প্রোগ্রামনি হায়খি অমসুং লৈবাকসিগী সুপ্রিম লীদর অয়াটোলাহ খামেনৈনা নবেম্বরদা চেকশিন-ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবা অমদা করিগুম্বা য়ু এসনা ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্ট থুগায়রক্লবদি টেহরান্না চানবা মওংদা লমন খুম্বগী থবক পায়খৎকনি হায়খিবনি।

মিদ্দল ইষ্টতা ইরান্না উৎলিবা লমদম অসিগী তং-তাবগী ফীভম থুগায়নবা হোৎনবগী মওংবু য়ু এসনা নম্ফুদা থেংননবা হোৎনৈ হায়বগী আইদিয়া অসিবু হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনরদুনা টিলরসন্না টেহরানবু ‘মাঙজিল থাবা টেরর শৌগৎপা লৈবাক্নি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

‘ইভিদেন্সতি য়াম্না ময়েক শেংলে, ইরানগী কাইহৌবগী এক্সনশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, লমদম অদুবু অমসুং মালেমবু কিহল্লি’ হায়না টিলরসন্না হায়খি।

‘কন্ট্রোল তৌহৌদবা ইরান হায়বসি নোর্থ কোরিয়াগা চপ মান্নবা লম্বীদা চৎপা ঙম্বা লৈবাক অমা শোয়দনা ওইরক্কনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ষ্ট্রেটেজিক পেসিয়েন্স উৎপা হায়বসি ফেল ওইরবা পাম্বৈ অমনি হায়বগী অনীশুবা ইভিদেন্স অমা অমুক য়েংবা পামদ্রে।’

# মেলকম টর্নবুলনা ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজনশিপ রুলশিং হেন্না চেৎশিনহনখ্রে



কানবেরা, এপ্রিল ২০ :

ইম্মিগ্রেসন লাকশিন্নবা মখা তানা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মেলকম টর্নবুলনা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিপ রুলশিং হেন্না চেৎশিনহনখ্রে। মসি মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী পোপ্যুলরিটি হন্থরকপগী ফীভম ফঙাৎহন্নবা হোৎনরকপগী খোঙথাং অমনি হায়না লৌনরি।

এপ্লিকান্টশিংবু সিটিজনশিপকীদমক এপ্লাই তৌবদা হান্না চহী অমা ঙাইহল্লম্বদু হৌজিক্তি চহী মরি ঙাইহল্লগনি অমসুং মখোয়দা ওষ্ট্রেলিয়ন ভেল্যুশিং চেল্লি অমসুং সোসাইটিদা ইন্টিগ্রেট তৌবা য়াগনি হায়বদু উৎনবা সিটিজনশিপ টেষ্ট অমসু মায়োক্নহনগনি হায়না টর্নবুলনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

খোঙথাং অসি ফোরন ৱার্কর ১০০,০০০ রোম্না হৌজিক শিজিন্নরিবা প্রোগ্রাম অমা ইমপ্লোয়রশিংনা এব্যুজ তৌরে হায়বা ক্লেমশিংগী মরক্তা গভর্ণমেন্টনা টেম্পররি স্কিল মাইগ্রেসন ভিজাশিং চেৎশিনহল্লে হায়না লাউথোকখিবা মতুং নুমীৎ নীনি লৈরগা লৌখৎলক্লিবনি।

‘ঐখোয়গী সিটিজনশিপ প্রোগ্রাম অসিবু ঐখোয়গী লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা কন্দক্ত তৌবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি’ হায়না টর্নবুলনা ফোঙদোকখি। ‘ওষ্ট্রেলিয়ন ফেমিলিগী মেম্বরশিপ অসি প্রিভিলেজ অমনি অমসুং মসি ঐখোয়গী ভেল্যুশিংবু সপোর্ট তৌবা, ঐখোয়গী লোশিংবু ঈকায় খুম্নবা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াবু হেন্না ফগৎহন্নবা কন্না শূ-নোমদুনা থৌদাং লৌগদবা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন সোসাইটিদা নিংথিনা তিনবা ঙম্বশিংদা পীগদবনি।’

টর্নবুলনা হৌজিকয়ু এস অমসুং য়ুরোপ শিন-থুংনা শন্দোরকপা উবা এন্টি-ইম্মিগ্রেসন সেন্টিমেন্টকী ৱেভ অমগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবা পোপ্যুলিষ্ট পার্টি খরনা মঙক হায়গৎলকপগী ফীভম থেংননবা হোৎনরিবনি। মহাক্কী লিবরেল নেস্নেল গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা রি-ইলেক্সনদা অপীকপা মেজোরিটিগা লোয়ননা মায় পাকখি।

হান্নগী বেঙ্কর অসি মথং থাদা লৈবাক অসিগী ইকনমিক চেল্লেঞ্জশিং হাইলাইট তৌগদবা বজেট অমা পুথোক্তবা য়াদবগী ফীভম অমা মায়োক্নরিবনি। হৌজিক লৈবাক অসিগী থবক ফংদবগী চাং ৱাংবগা লোয়ননা ৱেজেজগী গ্রোথসু শোল্লিবনি।

‘অনৌবা লোশিং অসি মহৌশাগী কোলিসন সপোর্টরশিংবু ফার-রাইট পার্টিশিংদা ওনশিনহন্দনবা হোৎনবগা মরী লৈনৈ’ হায়না এদলেদকী ফ্লিন্দর্স য়ুনিভর্সিটিদা পোলিটিকেল এনালিষ্ট অমা ওইরিবা হেদন মানিংনা ফোঙদোকখি। ‘লৈবাক্কী শেনগাউদা শেল লৈতবনা বজেটতা ভোটরশিংদা ওফর তৌনিঙাই ইরৈ লৈতবদগী টর্নবুলনা অসিগুম্বা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা য়েংলক্লিবনি।’

# ত্রম্পকী ত্রাভেল বেনগী মায়োক্তা চথবা লিগেল ফাইটতা মাইক্রোসোফট, গূগল, ফেসবূকসু য়াওশিনখ্রে

সান ফ্রান্সিস্কো, এপ্রিল ২০ :

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী খ্বাইদগী নৌবা ত্রাভেল বেন চৎনহন্দনবা জজ অমদা তকশিল্লদুনা লিগেল ফাইলিং অমা চথবদা এমাজন, ফেসবূক, গূগল অমসুং মাইক্রোসোফট য়াওনা টেক্নোলোজি ফার্ম কয়াসু য়াওশিনখ্রে।

টেক্নোলোজি সেক্টর খরা য়াওনা কম্পেনি ১৬০ হেনবনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা দিষ্ট্রিক্ট ওফ মেরিলেন্দদা লৈবা য়ু এসকী অপিলস কোর্ট অমদা ত্রম্পকী ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অদুগী ওপোনেন্টশিংগা লোয়ননা ‘ফ্রেন্দ ওফ দ কোর্ট’ ব্রিফ সাইদিং অমা সাইন তৌনখি।

ৱাশিংটনগী এটোর্নি জেনরেল বোব ফর্গুসননা ফাইল তৌখিবা লো সুট অদুনা মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা লৈবাক তরুক্কী নেস্নেলশিংবু মতম খরগী ওইনা য়ু এসতা চঙবদা অথিংবা থল্লিবা প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী ওর্দর অদু কন্সটিট্যুসনগী চৎন-পথাপকী মায়োক্তনি হায়বদু প্রুভ তৌবগী পান্দম থল্লি।

এমাজনগী রেফ বেজসনা হায়খি, মহাক্কী ফার্মনা লো সুট অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকপা ৱারোল অমা শেম শারে। মাইক্রোসোফটকী মায়কৈদগী তঙাই ফদ্রবদি হরাউনা টেষ্টিফাই তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এপ্পল অমসুং ত্বীটরনা মদুবু ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে। নেটফ্লিক্সকী চীফ ইগজিক্যুটিভ রীদ হেষ্টিংনসু মদু ‘অন-অমেরিকান’ ওই হায়না ফোঙদোকখি।

ফেদরেল জজশিংনা হৌখিবা মার্চতা ত্রম্পকী রিভাইজ ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অদু থিংখিবনা প্রসিদেন্ট অসিবু অচৌবা মায়থীবা অমা নংহনখিবনি।

রুলিংশিং অদুনা ইরান, লিবিয়া, সোমালিয়া, সুদান, সিরিয়া অমসুং য়েমেনগী নেস্নেলশিংবু য়ু এসতা নুমিৎ ৯০ নি চঙবা থিংলিবা ওর্দর অদুবু এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৈবাক শিন-থুংনা চৎনহন্নবা হোৎনরকপদা অথিংবা থমজিনখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা অমেরিকানশিংদা খুৎ থিংজিল্লক্তনবা হায়খ্রে

টোকিয়ো, সিওল, এপ্রিল ২০ :

নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মিদিয়ানা অমেরিকানশিংদা ‘ঐখোয়দা খুৎ থিংজিল্লক্কনু’ হায়রদুনা ‘সুপর মাইটি প্রিএম্পটিভ ষ্ট্রাইক’ অমা চথুগনি হায়না চেকশিন-ৱারোল ফোঙ-দোকখিবগা চাননা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না হায়খ্রে, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা প্রেসর পীনবগী লম্বীশিং পুথোক্নবা হোৎনরি।

অমত্তা ঙাইরবা অচৌবা মীচং চাইনানা ফনবনি হায়দুনা পীরকখিবা ৱার্নিং অমসুং সজেসন কয়াবু থওইখিদবা নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং-উনগা মরী লৈননা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা অকনবা ফীরেপ অমা লৌখি। নোর্থ কোরিয়ন লীদর অসিনা চাইনাগী পাউতাক্কী মায়োক্তা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিংবু থওইদদুনা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং মখা তানা পায়খৎখি।

# কলম্বীয়াগী মদস্লাইদশিংদা মীওই ১৪ শিখ্রে, ৯ থিবা খঙদ্রি



বোগোটা, এপ্রিল ২০ :

কলম্বীয়াগী নোংচুপ থংবা সিটি মানিজালিজদা নোং কন্না চূবদগী থোক্লকখিবা মদস্লাইদশিংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৯না থিবা খঙদ্রি হায়না খ্বাইদগী নৌবা রেদ ক্রোসকী পাউনা হায়রি।

লৈরিবা ফীভমদু য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওই। ঐহাক্না ওফিসল ফিগরশিং পীবা পামদে তৌইগুম্বসুং অশিবশিংগী মশিং ১৫ নৎত্রগা ২০ য়ৌবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মনিজালিজগী মেয়র জোস ওক্টাভিও কার্দোনানা ফোঙদোকখি।

‘শিরিবশিং অসিগী মথক্তা য়ুম ৭৫ মাঙ-তাকখ্রে অমসুং মীওই ২৩ অশোক-অপন নংখ্রে।’

মদস্লাইদশিং অদু কলম্বীয়াগী সাউদর্ন সিটি মোকোৱাদা নোং কন্না চূবদগী তুরেলশিংগী ঈমায় পাথোক্তুনা য়ুম-কৈ কয়া ঈশিংনা চেন্থখিবগা লোয়ননা মীওই ৩০০ হেন্না শিহনখিবা মতুং নুমিৎ ২০ নি ফাদবগী মনুং য়ুমশকৈশাগী অহিংদা নোং কন্না চূবদগী থোকখিবনি হায়রি।

মীওই ৪০০,০০০ লৈবা চীংগী সিটি মানিজালিজগী নৈবরহুদ মঙাদা মদস্লাইদশিংদুনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখি।

# য়ু এস এস কার্ল ভিন্সন নমথাক্কী মতাংদা সাউথ কোরিয়ানা খোয়রাং খোয়শাওরি



সিওল, এপ্রিল ২০ : য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা পিয়োংয়াংগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিং দিল তৌনবগীদমক কোরিয়াগী ঈশিংগী শরুকশিংদা অমেরিকান বেট্টলসিপশিংগী ‘আর্মাদা’ অমা থাখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা মওং অমত্তগী সো অমত্তা লৈখিদবদুনা সাউথ কোরিয়ন খরদা করি তৌরক্কনি হায়বা ঙমদবা মখোয়গী য়ুম্লোন্নবা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈননা ত্রম্পকী লীদরশিপ অমসুং ষ্ট্রেটেজিগী মতাংদা চিংনবা উৎপা ৱাহংশিং হংনরকখি।

লৈবাক অসিনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবা মে ৯ দা মীখল পাঙথোক্লবা শেম শাবগা লোয়ননা ত্রম্পকী ক্লেম অদুনা লৈবাক অনীগী মরীগী ফীভমগী মতাংদা অরুবা ৱাফম কয়া লাকহনবা য়াই হায়রি।

‘ত্রম্পনা হায়খ্রিবদু সাউথ কোরিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটিগী ওইনদি য়াম্না মরু ওই’ হায়না প্রসিদেন্সিয়ল কেন্দিদেট হোং জুন-পিয়োনা ৱর্ল্ড ষ্ট্রীট জর্নেলদা ফোঙদোকখি।

‘করিগুম্বা মদু মীনম্বা ৱা ওইবা তারবদি, ত্রম্পকী টার্ম মনুংদা সাউথ কোরিয়ানা ত্রম্পনা তৌরিবা পুম্নমক্তা থাজবা থম্লরোই’ হায়না হোংনা মখা তাখি।

সাউথ কোরিয়ন মিদিয়ানসু এয়রক্রাফট কেরিয়র য়ু এস এস কার্ল ভিন্সনন্না লুচিংবা ত্রম্পকী আর্মাদা অদুগী মরমদা য়েৎননিঙাই ওইবা রিপোর্ট কয়া ফোঙনখি।

পাউচে অমগী হেদলাইনন্না মদুবু ত্রম্পকী ‘কার্ল ভিন্সন লাই’ হায়না ফাওবা ফোঙদোকখি অমসুং রসিয়ন অমসুং চাইনিজ লীদরশিংনা মদুগী মরমদা রসিয়ন অমসুং চাইনিজ লীদরশিংনা কন্না নোক্নরমগনি হায়খি।

মিলিটরি পেরেদশিংদা অশাবা মিসাইলশিং উৎলি হায়না মরাল তোয়না শীরিবা নোর্থ কোরিয়াগুম্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু হৌজিক নোর্থ কোরিয়া পোলিসীগী মতাংদা নমথাক তৌরি হায়না পাউচে অদুনা হায়খি।




# EMPLOYMENT NEWS

## Bank of Baroda (BOB) Recruitment 2017 Apply Online for 400 Probationary Officer Posts at bankofbaroda.in

Bank of Baroda (BOB) Recruitment 2017 . Bank of Baroda (BOB) invites online application for the recruitment of 400 Probationary Officer Vacancies (Admission to Baroda Manipal School of Banking).The employment details about the posts, age limit, educational qualification, experience and other conditions are given below as link. The candidates are requested to go through the details and ensure that they fulfill the minimum prescribed criteria before applying. Apply online from 01-04-2017 to 01-05-2017

**Tags : Probationary Officer Vacancies**

Jobs Opportunity in Bank of Baroda (BOB) Recruitment 2017 Apply Online for 400 Probationary Officer Posts at www.bankofbaroda.in

**Job Details :**

Post Name : Probationary Officer
No of Vacancy : 400 Posts
Pay Scale : Rs.59170

**Eligibility Criteria :**

Educational Qualification : Degree (Graduation) with minimum 55% (50% for SC/ST/PWD) marks in any discipline from a recognized University OR any equivalent qualification as such recognized by Central Government.

**Nationality : Indian**
Age Limit : as per advertisement pubished
Application Fees/ Intimation Charges :
- Rs. 100/- for SC/ST/PWD candidates.
– Rs. 750/- for all others

**Selection Process:** Online Written Test, Group Discussion (GD)/Personal Interview (PI)/Psychometric Test.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the website www.bankofbaroda.com from 01-04-2017 to 01-05-2017

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 01-05-2017
Online Payment of Application Fees : 01.04.2017 to 01.05.2017
Download of Call letter for Examination : 12.05.2017
Date of Examination (Tentative): 27.05.2017
**More Details for job information click below link :**
Detail Advertisement Link: http://www.bankofbaroda.co.in/Careers/Admission-2017-18.asp

**Apply online link :** http://ibps.sifyitest.com/bobmansbmar17/

## Join Indian Army Recruitment – 56 Short Service Commissioned Officer Vacancy – Last Date 15 May 2017

**Join Indian Army Recruitment 2017**
Indian Army invites applications for the post of 56 Short Service Commissioned Officer in Army Dental Corps. Apply before 15 May 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Army Job Details :**
Post Name : Short Service Commissioned Offficer
No. of Vacancy : 56 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6100/-

**Eligibility Criteria for Indian Army Recruitment :**
Educational Qualification : BDS/MDS from a College/ University recognized with 55% marks by the Dental Council of India (DCI) for the respective batch/year and who have registered themselves as Registered Dental Practitioners with any State Dental Council & completed one-year compulsory rotatory internship by 31 Mar 2017.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 45 years as on 31.12.2017

**Job Location : All India**

**Selection Process :** selection will be based on Interview & Medical Examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- through Demand Draft in favour of “Director General Armed Forces Medical Services (APF Fund) / DGAFMS (APF Fund).

**How to Apply Indian Army Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self-attested copy of relevant documents, two passport size photograph, one self-addressed post card for ‘Acknowledgement’ & one self addressed envelope of size 23 cms x 10 cms with Rs 40/- postal stamps affixed & Demand Draft send to Director General Armed Forces Medical Services (DGAFMS/ DENTAL-2), Room No 25, L-Block, Ministry of Defence, New Delhi – 110001 on or before 15.05.2017.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Application from : 17.04.2017
Last Date for Submission of Application form : 15.05.2017

**Important Links :**
Details Advertisement Link : https://indianarmy.nic.in/writereaddata/documents/Advt%20for%20vac%20AD%20Corps%20SSC-2017.pdf
Download Information Brochure & Application Form Link : https://indianarmy.nic.in/writereaddata/documents/info%20brochure%20SSC%20AD%20Corps%20-2017.pdf